# শ্রীলঙ্কা অমসুং ইন্দিয়ানা দিফেন্স, ইকনোমিক, এদুকেসন, রিলিজস কোওপরেসন হেনগৎহন্নবা এমওয়ুশিং খুৎয়েক পীনখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৯ (এজেন্সী): শ্রী লঙ্কা অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা দিফেন্স, ইকনোমিক, এদুকেসন অমসুং কলচরগী মরীশিং হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা এমওয়ু কয়া লৈবাক অনীনা খুৎয়েক পীনখ্রে।

ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করগী শ্রীলঙ্কা খোঙচৎকী অহানবা নুমিত্তা এগ্রিমেন্টশিং অদু খুৎয়েক পীনখিবনি। জয়সঙ্করনা রাজাপক্সা মচিন মনাও অহুম হায়বদি প্রসিদেন্ট গোটারিয়া, রাজাপক্সা, প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দ্র রাজাপক্সা অমসুং ফাইনান্স মিনিষ্টর বাসিল রাজাপক্সাগা লোয়ননা ফোরেন মিনিষ্টর জিএল পৈরিসকা উন্নখি অমসুং লৈবাক অনীগী তুংগী কো ওপরেসনদা মরু ওইগদবা এমওয়ু তরুক খুৎয়েক পীনখি।

সেক্যুরিটিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দোল্লর মিলিয়ন তরুক্কী গ্রান্ট অমগা লোয়ননা মেরিটাইম রেস্ক্যু কোওর্দিনেসন সেন্টর (এমআরসিসি) অমা লিঙনবা এমওয়ু অমা খুৎয়েক পীনখি।

ইন্দিয়ান গভর্নমেন্টনা চল্লাইবা এরো স্পেস অমসুং দিফেন্স ইলেক্ট্রোনিক কম্পেনিনা শাবা প্রোজেক্ট অদুনা শ্রীলঙ্কাদা নোর্দিয়র মেরিটাইম সর্ভিলেন্স এয়রক্রাফট অহুম পীবগা লোয়ননা শ্রী লঙ্কান নেভিদা এমটি ৪০০০ গী ফ্লোটিং ভার্জ অমা পীগনি। এমআরসিসি অদু শ্রীলঙ্কান নেভি হেদ ক্বার্টর্স মনুংদা লিংগদবনি অমসুং অতৈ সব য়ুনিট তরেৎসু লিংগনি।

মখোয়গী মনুংদা চাইনানা চল্লাইবা হিথাংফম অমা লৈরিবা সাউর্দন সিটি হাম্বনটোটাদা সব য়ুনিট অমা লিংগনি। লুপা ক্রোর ৩০ গী গ্রান্ট অমগা লোয়ননা শ্রীলঙ্কা য়ুনিক দিজিটেল আইদেন্টিটি (এসএল-য়ুদিআই) প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা তোঙানবা এমওয়ু অমা খুৎয়েক পীনখি।

অদুমক ওইনমক প্রোজেক্ট অনীমক শ্রীলঙ্কাগী ওপোজিসন অমসুং এক্তিভিষ্টশিংনা ক্রিটিসাইজ তৌখি। গভর্নমেন্টনা নেসনেল সেক্যুরিটিদা অকায়বা পীগদবা মওংদা লৈবাক্কী রিছোর্সশিং য়োঙ্থোক্লি হায়না মখোয়না ক্লেম তৌখি।

মখোয়না হায়খি, মদুদি এম আর সি সিগী খুত্থাংদা এরো স্পেস অপূম্বা সেক্যুরিটি সিষ্টেমগী মিংদা ইন্দিয়াদা য়োল্লগনি। শ্রীলঙ্কাগী অকোয়বদা লৈরিবা ইন্দিয়ান ওসিন অপুম্বা কোল্লিবা নেভেল বেজশিংদা সব-য়ুনিটশিং থম্বা অসিনা চাইনাগা জিওপোলিটিকেল ৱার অমা থোক্লক্কবগী মরম ওইবা য়াই হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।

ওপোজিসন্না মখা তাবা গভর্নমেন্টবু মরাল শীরদুনা হায়খি, মদুদি এসএল-য়ুদিআই প্রোজেক্ট অসিনা বাইওমেট্রিক্স য়াওনা শ্রীলঙ্কান পুম্নমক্কী দিজিটেল আইদেন্টিটি অপুম্বা ইন্দিয়াগী মখুত্তা লৈহল্লগনি। জাফনাগা নক্কনা লৈবা ইথৎ অহুমদা হাইব্রিদ পৱার প্রোজেক্টশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা অতোপ্পা এমওয়ু অমসু খুৎয়েক পীনখি।

হায়রিবা মফমশিং অদু ইন্দিয়ানা কন্না য়ানিংদবা উৎলকপদগী মমাঙদা প্রপোজ তৌখিবা চাইনিজ প্রোজেক্ট অমা কেন্সেল তৌখ্রবনি। তামিল নাদুগী সমুদ্র মপানদা লৈরিবা রামেশ্বরমগা নক্কবা শ্রীলঙ্কাগী ইথৎশিংদা চাইনিজ ফোর্সশিং লৈহন্দনবা ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কান ওথোরিটিশিংদা খঙহল্লকখিবনি।

নাকল অনীনা খুৎয়েক পীনখিবা অতৈ এমওয়ুশিংদুগী মনুংদা শ্রীলঙ্কাদা ফিসরিজকী হিথাংফমশিং চাওখৎহন্নবগা মরী লৈনবসু য়াওখি। মসিদা নত্তনা মতমগা চুনবা কম্প্যুটর লেবশিং লিংনবগী প্রোজেক্ট অমসু য়াওখি।

হন্দক্তা শ্রীলঙ্কাদা দোল্লর বিলিয়ন ২.৫ রোম ওইগদবা শেল থুমগী মতেং পীরকখিবগীদমক প্রসিদেন্ট গোটাভয়া রাজাপক্সানা ইন্দিয়াবু থাগৎখি। এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর জয়সঙ্করগী মায়কৈদগী কলম্বোনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎলক্কবা পায়খৎলিবা থবকশিংদা ন্যু দিল্লিনা মখা তানা মতেং পাঙগনি হায়না থাজবা পীখি।

শ্রীলঙ্কাদা লৈরিবা মরু ওইবা বুদ্ধিষ্ট সাইটশিংগী মেন্টেনেন্সতা শীজিন্নবা দোল্লর মিলিয়ন ১৫ গী শেনফম অমা পীননবা প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দ্র রাজাপক্সাগী মমাঙদা এমওয়ু অমসু খুৎয়েক পীনখি। ইন্দিয়াগী মতেংগা লোয়ননা জাফনাদা শাবা ষ্টেট ওফ ডি আর্ট থিয়েটর অমা জয়সঙ্করনা ভর্চুয়েল ওইনা শঙ্গাখ্রে।

# ‘মালেমগী ওইনা মমল হেনগৎলবসু গভর্নমেন্টনা ফর্টিলাইজরশিংগী সবসিদি হেনগৎখি’



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৯ (এজেন্সী): মালেমগী ওইনা ফর্টিলাইজরগী মমল হেনগৎপা লৈরবসু লৈবাক অসিগী লৌমীশিংদা অহেনবা পোৎলুম লৈহন্দনবা গভর্নমেন্টনা ফর্টিলাইজর সেক্তর সবসিটি কম্পোনেন্টশিং হেনগৎহনখি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর কেমিকেল এন্দ ফর্টিলাইজর মন্সুক মন্দাভিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি য়ুরিয়া নত্তনা মালেমগী ওইনা দিএপিগী মমলসু হেনগৎখি। ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা মেট্রিক টনদা দোল্লর ১৩০০ হেনখি। মার্কেটতা বেক অমদা লুপা ৪০০০ পীরমগদবদা গভর্নমেন্টনা সবসিদি কম্পোনেন্ট হেনগৎহন্দুনা লৌমীশিংদা ফর্টিলাইজর বেক অমদা লুপা ১৩৫০ দা ফঙহনবা ঙমখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি হৌজিক্কী ওইনা গভর্নমেন্টনা ফর্টিলাইজরদা সবসিদি লুপা ২৫০০ পীরি। মখা তানা সবসিদি পীদুনা লৌমীশিংবু মালেমদা মমল হেনগৎলকপগী চৈথেং নঙহল্লোই।

বিজেদিগী এমপি সস্মিক পত্রানা টালচর ফর্টিলাইজর লিমিটেদ (টিএফএল) করম্বা মতমদা কম্মিসন তৌগদগে হায়না হংবা ৱাহং অমগী অইবা পাউখুমদা মিনিষ্টরনা রাজ্য সভাদা হায়খি, মদুদি গভর্নমেন্টনা নোমিনেট তৌবা পব্লিক সেক্তর অন্দর টেকিংশিং (পিএসয়ু) শিং হায়বদি রাষ্ট্রিয়া কেমিকেলস এন্দ ফর্টিলাইজর লিমিটেদ (আরসিএফ), গ্যাস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ (জেএআইএল), কোল ইন্দিয়া লিমিটেদ (সিআইএল) অমসুং এফসিআইএলগী ওইবা জোইন্ট ভেঞ্চর কম্পেনি অমা শেমদুনা ওরিষাদা ফর্টিলাইজর কোওপরেসনব ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ (এফসিআইএল) গী কালচর য়ুনিট থুনা হিংগৎহন্নবগী পান্দম থল্লি।

পান্দম অসিগী মতুং ইন্না চহীদা এলএমটি ১২.৭ পুথোকপগী কেপাসিটি লৈবা এম্মোনিয়া য়ুরিয়া প্লান্ট অমা লিংখৎনবা কুমজা ২০১৫ গী নবেম্বর ১১ দা কালচর ফর্টিলাইজর লিমিটেদ (টিএফএল) কৌবা জোইন্ট ভেঞ্চর কম্পেনি অসি ইনকোর্পোরেট তৌখি।

কুমজা ২০২২ গী ফেব্রুৱারী ফাওবদা এচিব তৌখিবা প্রোগ্রেস চাদ ২০.৮৪ ওইখি। প্লান্ট অসি কুমজা ২০২৪ গী সেপ্টেম্বর ফাওবগী মনুংদা কম্মিসন তৌবা য়াগনি হায়না থাজরি।

মন্দাভিয়ানা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২৩ গী সেপ্টেম্বরদা টিএফএল কম্মিসন তৌনবা লেপ্লম্বনি। অদুম ওইনমক কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইদুনা প্রোজেক্ট অসি য়ামদ্রবদা থা ১২ চোন্থখি। কোল গ্যাসিফিকেসন অমসুং এমোনিয়া য়ুরিয়া পেকেজকী লম্প-শম্প টনকি (এলএসটিকে) গ্লোবেল কন্ট্রেক্ট কুমজা ২০১৯ গী সেপ্টেম্বরদা পীখি।

# দ্যুবাগী দিল্লি খোঙচৎনা ইন্দিয়া-নেপাল কোওপরেসনদা ইনোৎ হাপ্লগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৯ (এজেন্সী): নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর সের বহাদুর দ্যুবাগী দিল্লি খোঙচৎনা লৈবাক অনীগী কোওপরেসন হেনগৎহল্লগনি হায়রি।

নেপালগী পিএম দ্যুবানা এপ্রিল ২ দা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা মখল মখা কয়াগী হিরমশিংদা ৱারী শান্নগনি। দ্যুবানা মোদিগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ওইরিবা ভরানাসিদসু চৎকনি।

নরেন্দ্র মোদিনা ইনভাইট তৌখিবা মতুং ইকুই কুইদনা দ্যুবানা ইন্দিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎলগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মনুংদা নেপাল অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা এগ্রিমেন্ট কয়া খুৎয়েক পীনগনি। এগ্রিমেন্টশিং অদুগী মনুংদা মতম খরগী মমাঙদগী খন্নদুনা লাকপা ক্রোস-বোর্দর রেলৱে অমা থম্বগী ৱাফম য়াওরি।

কাঠমান্দু পোষ্টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না জয়নগর-কুর্থা ক্রোর বোর্দর রেলৱে লিঙ্ক অদু নেপালগী অহানবা মোর্দন রেলৱে সার্ভিস ওইগদৌরিবনি। কিলোমিটর ৩৫ শাংবা ক্রোস -বোর্দর রেলৱে লিঙ্ক অদুনা বিহারগী জয়নগরগা নেপালগী কুর্থাগা শম্নহনগনি।

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR**

/ NOTIFICATION

Imphal. the 29th March. 2022

No.G/17/1/2020: It is learnt that some Principals/Headmasters/Headmistresses have not issued Admit Cards to students who are appearing in the H.S.L.C Examination, 2022 on account of their failure to submit Covid – 19 vaccinaiton certificate. In this connection, it is clarified that issuance of Admit Cards is not related with submission of Covid- 19 vaccination certificate and therefore all the Principals/Headmaster/Headmistresses are requested to issue Admit Cards to students as early as possible.

Sd/- Dr. S. Mangijao Singh
Secretary

HL-P/2010/30

**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR.**

/ PRESS NOTE

Imphal, the 29th March, 2022

No. 2/25/96-HSC: It has been brought to the notice of the Council that some institutions are imposing Covid vaccination certificate while issuing Admit Cards to the students/candidates appearing at the Class XI and Higher Secondary Examinations, 2022.

The Council has not issued any notifications in this regard and vaccination or no vaccination for Covid is not at all related with the Council. Institutions concerned should create a cozy atmosphere in their respective institutions and let the students/candidates appear at the Class XI and Higher Secondary Examinations, 2022 without any element of restlessness and apprehension.

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary.,
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur.

HL-B/7576/30

**TEMPLE OF LEARNING (TOL),CANCHIPUR**

/ APPOINTMENT NOTICE

The 28th March 2022

No. 1/MP/TOL-2007: Applications on plain paper are invited from the intending qualified candidates for the following posts.

| SL NO. | NAME OF THE POST | VACANCY | QUALIFICATION |
|---|---|---|---|
| 1. | Accountancy | 2 | B.Com / M. Com Work experience in Tally, Excel with applied accounting knowledge |
| 2. | LDC | 3 | Graduate with Computer Knowledge |
| 3. | School Bus Driver | 3 | VIII passed Experience in driving with Valid Driving License. |
| 4. | Mother | 3 | X passed |
| 5. | Mali / Gardener | 3 | VIII/X passed Experience in plantation field |
| 6. | Security | 4 | Min. VIII passed. |
| 7. | Cook (Male) | 3 | Min. VIII passed |
| 8. | Sweeper | 4 | Min. VIII passed |

Enclosed: Photo Passport – 2 copy & Aadhaar – 1 xerox copy

Last date of submission of application : 03/04/2022
Date of interview : 04/04/2022
Time : 11:00 AM.

Sd/-
Manager,
Temple of Learning, TOL

HL-P/2105/30,31

Ministry of Finance
Government of India

Azadi Ka Amrit Mahotsav

**খঙজিনবীয়ু! জিএসটি টেক্সপেয়রশিং**

এগ্রিগেট এন্যুএল টর্নওভর# অকক্নবা লিমিট অমা ফাওবা য়ৌবশিংনা

এফৱাই ২০২২-২৩ গী ওইনা জিএসটি কম্পোজিসন স্কিম খনবা য়াই

মার্চ ৩১, ২০২২ ফাওবগী মনুংদা

কম্পোজিসন স্কিমগী কান্নবা লৌবা পাম্বা ইলিজিবল টেক্সপেয়র্সশিংনা জিএসটি পোর্টেল (www.gst.gov.in) দা মখাগী ষ্টেপশিং অসি পাঙথোক্তুনা কম্পোজিসন স্কিম খনবা য়াই:

০১ লোগ ইন তৌবীয়ু টেক্সপেয়র্সশিংগী ইন্টরফেসতা

০২ সার্ভিসেসতা চৎপীয়ু> রেজিষ্ট্রেসন>কম্পোজিট লেভি খন্নবগী এপ্লিকেসন

০৩ ফোর্ম মেনশিল্লু অমসুং সবমিট তৌবীয়ু

**কান্নবশিং**

লাই অমসুং খুদোংচাই

এট্রেক্টিব টেক্স রেটস

কমপ্লায়েন্সকী তঙাই ফদবশিং মিনিমম ওই

গুদস অমদি সার্ভিসেসকী সপ্লাইগীদমক ফঙগনি

বুক কিপ্পিং হন্থে

ওটো রেন্যুয়েল অমসুং ওপট-আউট তৌবদা লায়বা

| সপ্লাইয়রশিংগী মখল | | # এফৱাই ২০২১-২২ গী এগ্রিগেট এন্যুএল টর্নওভর |
|---|---|---|
| পোৎচৈশিংগী সপ্লাইয়র | অকক্নবা ষ্টেটস ০৮ দা রেজিষ্টর তৌবা টেক্সপেয়রশিং | লুপা লাক্ষ ৭৫ ফাওবা |
| | অতৈ ষ্টেটশিংদা রেজিষ্টর তৌবা টেক্সপেয়রশিং | লুপা লাক্ষ ১৫০ ফাওবা |
| সার্ভিসশিংগী সপ্লাইয়র | | লুপা লাক্ষ ৫০ ফাওবা |

এফএক্যুশিংগীদমক স্কেন তৌবীয়ু

অহেনবা অকুপ্পশিংগীদমক সিজিএসটি এক্টকী সেক্সন ১০, সিজিএসটি রুল ৩-৭ অমসুং নোটিফিকেসন নম্বর ১৪/২০১৯-সেন্ট্রেল টেক্স, ২/২০১৯-সেন্ট্রেল টেক্স (রেট) তা য়েংবীয়ু। নোটিফিকেসন অনীমক ০৭.০৩.২০১৯ দা থোকখিবনি

davp 15502/13/0003/2122

জিএসটি কম্পোজিসন স্কিম: অপীকপা টেক্সপেয়রশিংগী অচৌবা কান্নবশিং

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ইনদাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টমস

@cbic_india @cbicindia www.cbic.gov.in